# মণিপুরগী অপূনবা শক্তম হেন্না চেৎশিন্নবা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট শেমখিবা (কুমজা ১৯৪৭, নবেম্বর ৩০)

সোটিনকুমার

**হৌজিক** মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কনসি হায়বা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্লি। চীং লমদমশিং কায়খিগদ্রা হায়বগী মীপাইবা ফাওনরক্লি। হান্নদগী নাগালেন্দ পাকথোক-চাউথোকপা, অৱাং নোংপোক লমদমশিং নাগা তাবমখৈ পূনশিনবা হায়বনচিংবগী ৱাফম লাকখ্রে। অমুক্কসু কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দা ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা য়ানখিবা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী ৱাফম লাকপা, য়াওরিবা ৱারোলশিং লোইশিন্দ্রি হায়বগী থৌওংদা খোইশাওনদুনা লৈবা, হায়নরক্লিবনা - সেয়র সোভরেন্টি, ইন্টিগ্রেসন, ওটোনোমস নাগা কাউন্সিল, নাগা তাবা লমমখৈ ৱায়েন লৈঙাক অমগী মখাদা পূনশিনবা অমদি অতৈ ৱাফম কয়াসুনি। পূম্নমক অসিনা অমুক্কা হেন্না মীপাইনরক্লি। কুমজা ১৮৮১দগী নাগা হিল ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরকখি। কুমজা ১৯১৮দা নাগা ক্লব শেম্লকপদা নাগা রেজিষ্ট্রেকী ৱাফম লাকখ্রে। নাগা নেসনল কাউন্সিলনা কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪দা ইন্দিপেন্দেন্ট ষ্টেট অমনি হায়না লাউথোকখি। মখা তারকপদা নাগালেন্দ ষ্টেট এসেমব্লিনসু তাঙ্কক কয়ারক্তা কুমজা ১৯৬৪দগী হৌদুনা নাগা তাবা লমশিং লৈঙাক অমগী মখাদা পূনশিন্নবা ৱারেপ হন্না হন্না লৌখিবা লৈরে। পূম্নমকসিনা মণিপুরগী অমত্তা ওইবা অপূনবগী শক্তমদা শোকহল্লকপা য়াই হায়বসিনি।

কুমজা ১৯৪৭ চহীসিমক্কী ফেব্রুৱারীদা নাগা নেসনল কাউন্সিলগী মপূং ওইবা মীফম অমনা নাগাশিংগী লম অসি ইন্দিয়াগী মনুং চনবা চহী ১০গী মতুংদা মনীংতম্বা মশাগী লাইবক মশানা লেপচরগা রাইট তানখি। মখা তানা ওক্টোবরদা ফম্বা মীফমনা নাগা ফুরুপকী লম ইন্দিয়াদগী তোঙান্না লৈরবা মতুংদা নাগা হিল ঙমখৈ ৱাংমদা লৈবা মাও, তাঙ্খুল, টুয়েন্সাংনচিংবগী লমশিং নাগাগী লমখৈ মনুং চনবা মণিপুরগী নিংথৌদসু তকশিন চেরোল পীখি। মণিপুরগী লমখৈনুংদা মীৎয়েং চঙবা হৌখি। মতাং অসিদা লুচিংলেন ইরাবতনা ফোঙদোকখিবসি মসিনা ইম্পরিয়েলিষ্ট বৃটিশ অমসুং অমেরিকানা লমদম অসিদা মখোয়গী তুংনফম ওইখিগনি, নাগা হিলগী ফীভম অসি গারো, লুসাই চীংশাংনচিংবদা মথং মথং শনে দারক্কনি, মসিদগী চীং-তম চান্ননা পূন্না লৈমিন্নবগী নুংঙাইবা মাঙখিগনি, নাগা হিলনা ইন্দিয়া অমসুং অসামদগী তোপখ্রবদি ইন্দিয়াগা মণিপুরগা চখোক চৎশিন্দা অমসুং লৈনবা মরীদা নিংথী-নুংঙাইরক্লোই।

মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা শীংনরকখিবা তানফম অসিদা কুমজা ১৯৪৭কী নবেম্বর ৩০দা লুচিংলেন হিজম ইরাবতকী লমজিং মখাদা ষ্টেট অসিগী চীং তমগী অপূনবা মীফম ইম্ফালগী মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা পাঙথোকখি। তশেংনা হিষ্টরিক ওইখিবা মীফম অদু খা নোংপোক এসিয়াদা ষ্টেট অমা ওইনা লৈরক্লিবা মণিপুরগী অপূনবা ঙাক্লবা অমদি খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা হেন্না চেৎশিন্নবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান দমদা য়াম্না তাঙনা পাঙথোকখিবা মীফমলেন অমনি। অসিগুম্বা অপূনবা মীফম অসি ঙসিদগী চহী ৭১ মপূং ফারক্লে। লোয়নন মসিনা চীংমী-তম্মী মীয়ামদা পীরমখিবা অপূনবা ৱাখল অমসুং অচেৎপা লীচিং অদু হৌজিক ওইরক্লিবা মণিপুরগী ফীভম ইরোয়ননা এন দি এ লৈঙাক অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী ৱারোইশিন্না ষ্টেটকী অপূনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈদা করি থোকহল্লক্কদগে হায়না মীপাইবা অমসুং চিংনবা মরক অসিদা থোইদোক্না নীংশিংবগা ইরোয়ননা ৱাখল্লোনসি হেন্না কন্না পুখৎপা মথৌ তারক্লি। চুম্না নীংশিংবদা নত্তনা ফুরুপ খুদিংমক্কী অপূনবা মণিপুর অমগা য়াইফরবা তুংলমচৎ অমা নীংথিনা শাগৎপা তঙাইফদে।

মীফম অদুনা চীং তমগী পোলিটিকেল পার্টি, সিভিল সোসাইটি অমসুং রিলিজস নেসনেলিষ্ট মুভমেন্টকী লুচিংবশিংগী অপূনবা ফ্রন্ট (য়ুক্তো ফ্রন্ট) অমা শেম্নবা ৱারেপ তাখি। ফ্রন্ট অদু শেম্ন বগীদমক অপূনবা মীফম অমা অমুক কৌনবা মখাগী মীওই ১০ অসিনা শাবা ওর্গেনাইজিং কম্মিটি অমা শেমখি।

১) মিষ্টর এম কে শিমরে, তাঙ্খুল ২) মিষ্টর লুনে, কুকি নেসনল এসেমব্লি ৩) মিষ্টর কখাংগাই, কবুই এসোসিএসন ৪) মিষ্টর তেবা, খুলমী য়ুনিয়ন ৫) মিষ্টর জেনা, মিজো য়ুনিয়ন ৬) শ্রীযুক্ত লম্ফেল, মীতৈ মরুপ ৭) শ্রী ইবোমচা, মণিপুর কৃষ্ণক সভা ৮) শ্রী এম ইবুঙোহল, নোংপোক অপূনবা মরুপ ৯) ইরাবত, মণিপুর প্রজা সঙ্ঘ অমসুং ১০) মুহম্মদ সুলৈ মিয়া, য়াইরিপোকনি।

ওর্গেনাইজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্টনা ইরাবত অদুগা তাঙ্খুল্লোমগী লুচিংবা এম কে শিমরেবুনা সেক্রেটরি ওইনা খনখি। অপূনবা মীফম অদুনা মতম অদুগী অঙ্গামি জাপু ফিজোনা লুচিংবা নাগা নেসনল কাউন্সিলগী লুচিংবশিং কোহিমাদা চৎতুনা উন্নরুনবা অচেৎপা ৱারেপ লৌখি। থবক অসি পাঙথোক্লবা হিজম ইরাবত অমসুং কুকি নেসনল এসেমব্লিগী শক্লাইরবা লুচিংবা মিষ্টর লুনে অনীদা শিন্নখি। মখোয়গী কোহিমা খোঙচৎকী পান্দমদি এন এন সীগী লুচিংবশিং নিংথিনা উন্নদুনা মণিপুরগী মাও অমদি উখ্রুলগী মীয়ামদা তোখায় তাহন্নবগী পোলিটিক্সকী ঈথিল পীরক্তনবা চপ চানা ঙাঙনবা অমদি নাগা ঈহৌ অদু কুপ্না থিজিনবা চৎপনি। মখোয়গী হিষ্টরিক ওইরবা খোঙচৎ অদুমক্লা চীংমী-তম্মী ঐখোয় খুদিংমক্কী অপূনবা লিচিংদা অচৌবা ইনোৎ পীবা ঙমখি।

এম দি য়ুগী মীফম অদুনা পুৱারীগী খোঙচৎতা অৱা-নুংঙাই কয়াদা অমত্তা ওইনা শরুক য়ামিন্নরক্লবা চীংমী-তম্মী ফুরুপ খুদিংমক লৈবাক্কী অপূনবা ঙাকমিন্ননবা, পুকচেল তিংনা অমদি থাজননা হিংমিন্নবা অমদি অপূনবা থৌদাং লৌমিন্নবগী অচেৎপা মশক অদু শেংনা তাকখি। অসুম্না ঙসিগী মীরোল ওইরিবা মণিপুরী খুদিংমক্লা চীংমী-তম্মী ইপা-ইপূশিংনা থম্বীরম্বা লিচিং অসি মতম চূপ্পগী ওইনা কায়হন্দনা থম্নবা হোৎনগদবনি। অসিগুম্বা ফিরেপ অসিদগী হেন্না মমল লৈবা ৱাখল্লোন অমত্তা লৈরোই হায়না লৌই।

লৈবাক্কী অপূনবা হেন্না চেৎশিনহনবদা অমদি ফুরুপ মশেলগী মরী মপূং ফাহনবদা তঙাইফদনা অফবা লৈঙাক চঙই। মশাগী তোপ তোপ্পা শক্তমগা লোয়ননা লৈরক্লিবা মণিপুরগী চীংমী-তম্মী মীয়ামগী নুংঙাই য়াইফবা পুন্সি মহিং অমা ঙসিগী মোর্দন ষ্টেট অসিগী চীংমী তম্মীনা শেম্বা লৈঙাক অসিনা পীবা ঙমদে। মীওইবগী চৎনবা য়ানা য়ূম্লিং খুল্লিংবা অমদি লৈতাবা পুন্সি অমা ওইহনবদা চঙবা তঙাইফদবশিং লৈবাক অসিগী কেপিটেলিষ্ট লৈঙাক্লা মীপূম তিংনা ফংহন্নবা হোৎনদ্রি। মসিগী মথক্তা ষ্টেট অসিগী অয়াম্বা শরুক ওইরিবা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা, লম্বী-থোং ফত্তবা মফমশিংদা হৌজিক মতমগী চাওখৎপগী মঙাল য়ৌগদবা য়াম্না ৱাৎলি। অসুম্না তম্পাক্তসু মফম কয়ামরুম লৈরি। মীয়াম থবক পীননবা, চিঙ্গাক মরাং কায়না পুথোক্লবা, লায়েংনবা, লাইরিক-লাইশু তম্নবা খুদোংচাবশিং পীনবা লৈঙাক্লা হোৎনদ্রি। মমিংতগী ওইনা থৌশিল থৌরাং পায়খৎলি। ষ্টেট অসিদা খুন্দা লৈতারিবা মীওই ফুরুপ কয়ামরুম অসিগী কলচর, লোল য়োকখৎনবা হোৎনবা অসুক্কী মতিক ৱাৎলি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা চীংগী অপিকপা ফুরুপশিং মশাগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লরি। অসুম্না ওইরিবা ফীভম অসিদা মীয়াম্না হিংবদা ৱাই, শেল থুমগী ফীভম ফত্তে, মশা-মশাগী হিংনবা হোৎনরকই। মসিদগী চীং-তমগী অপূনবগী ৱাখল্লোন পুদুনা চৎলিবা সোসিএল ইন্সটিট্যুসনশিং নোংমা নোংমগী মীরাইনরকই, মথৌ তৌরক্তে। মথৌ তৌবা তারবসু মমিংতগী ওইনা পাঙথোক্লরকই। মসিদগী ফুরুপ মশেলগী মরী থাপতোক্লরকই। ঈ মরী, হৌরকফম পূনবা, খোয়রি-লিনশাং তিন্নবা অমত্তা ওইবগী লীপূন অদু মাঙলকই।

ফুরুপ অমখক্কী মনুংদা ফাওবা ক্লানিজম অমসুং জিও-পোলিটিক্সকী অখুবা মীৎয়েং শাগৎনরকই। হীরম খুদিংমক্তা কা হেন্না মথৌ তৌদ্রবা ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্কা মীয়ামগা য়াম্না তাম্নরকই। মরম অসিদগী মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমদি ফুরুপ মশেলগী মরীদা নাকোয়ননা ফত্তবা শাফু কয়া পীরকই।

চীংমী তম্মী অনীমক্কী কলচর অমসুং শক্তম ঙাক্লবগীদমক ফুরুপ খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা য়ানরবা লো অমা শেম্বা তঙাইফদে। মসিগীদমক চীং-তমগী লূপ, সিভিল সোসাইটি, ফুরুপ খুদিংমক্কী ওর্গেনাইজেসনশিং অমত্তা ওইবা ৱাখল মীৎয়েংদা চুংশিন্নবা মথৌ তাই। চীংনা অমা, তম্না অমা চৎনবগুম তৌরিবা হৌজিক্কী মতৌ অসিনদি মণিপুরী য়েলহৌমীশিং মতমগী ঈচেল অসিদা মশাগী শক্তম ঙাকপা, কলচর য়োকখৎপা, শেল থুম অমদি লৈঙাক্কী ফীভম ফগৎহনবা খক ঙম্লোই। ঐখোয় মশেল হেন্না পূনশিন্নদ্রিবমখৈ অনৌবা আশা, অফবা লৈঙাক, হেন্না চেৎশিন্নবা মরী, নুংশি চান্নবা অমদি অমনা অমবু তেংবাঙনবগী লীচিং অমসুং ফুরুপ খুদিংমক চাওখৎপা কৈদৌনুংদা ঙম্লোই। অপূনবা শক্তম অমসুং লীচিংদা হেন্না মপাঙ্গল হাপকদবা অপূনবা হিষ্ট্রগী অফবা তাঙ্ককশিং ঐখোয় কাউথোক্লগুমসি।

হৌখ্রবা নিংথৌ লৈঙাক মতমগী পামদবা থৌদোক অমসুং তাঙ্ককশিং ঙসিগী লেপ্পা লৈতনা চাওখৎলক্লিবা দেমোক্রেসিগী মতম অসিদা নীংশিংদুনা লৈরবদি ঐখোয় মশেল খাইবুং-খাইবুংনবা নত্তনা অফবা ওইরোই। মহৌশানা মীওইবগী পুৱারীগী পোজিটিভ অমদি নেগেটিভ ওইবা মচৎ অনীনা ইতোৎ তোৎশিন্ননা শেম্লিবনি। ঙসিগী মালেমদা চাওখৎখ্রবা ফুরুপশিংনা হায়নরি মদুদি - "History should unite the people, not divide the people"। চীংমী তম্মী খুদিংমক্লা অপূনবা মণিপুরবু হেন্না চাওখৎহনগদবনি। অচৌবা ৱাখল খনগদবনি, ঐখোয় মশেল হেন্না অমনা অমবু তেংবাঙনগদবনি, অমগী নুংঙাইবদা, অমগী চিরবা তানফমদা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা শরুক য়ামিন্নগদবনি। মপানগী ঈথিল অমত্তনা মণিপুরগী নেসনলিজম অমদি নেসনহুদতা অকায়বা পীহল্লোইদবনি। অপূনবগী ঈচেলবু হেন্না তরু-তরুনা পুথগদবনি। অপূনবা পাঙ্গল, থৌনা লিংজেল, হৈ-শিংবা অমসুং শূ-নোম্বনা মালেমগী চাওখৎ লমজেলদা মণিপুরীশিংনা মাঙজিল থানবা হোৎনগদবনি।

মণিপুরী খুদিংমক্কী মরমদম ওইরিবা ষ্টেট অসিগী অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবা অমসুং নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী অৱা-অনা শরুক য়ামিন্নদুনা মচিন-মনাও ওইনা লৈমিন্নরক্লিবা ফুরুপ খুদিংমক্লা হেন্না অচেৎপা মরী শাগৎপা তঙাইফদে। ইরোয়ননা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা চীংমী-তম্মী কায়ননবা শিল্লকপা থৌশিল অমসুং দিভাইদ এন্দ রুলগী থৌওং খুদিংমক মায় পাকহল্লোইদবনি। ঙসিগী মীরোলনা অসুম্না থৌগাই পাংবনা অদুঙৈ লুচিংলেন হিজম ইরাবতকী লমজিং মখাদা শেমখিবা চীং-তমগী অপূনবা (য়ুক্তো ফ্রন্ট) অদুগী মচৎ কায়দনা পুথবা অমদি তশেংনা নীংশিংবা হায়বদু ওইগনি।

হৌজিক মীফমদুগী খ্বাইদগী মরুওইবা ৱাফম লাক্লিবসি চীং তমগী লূপ/মীহুৎশিং পূনশিন্নদুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কন্নবা অচেৎপা ফিরেপ লৌমিন্নবা, অপূনবা ফ্রন্ট শেমদুনা মখা তাবা অচেৎপা লীপূনগী হোৎনমিন্নবা, মতম অমদা লুচিংলেন ইরাবতনা তকশিনখিবা মপূং ফাবা হক লৈ (পূর্ণদায়ী ত্বশীল/ফুল রেসপোন্সিবল) লৈঙাক্কী ৱাখল্লোন মখা তানা পুখৎতুনা তকশিনমিন্নবা, কয়া অসি মাঙদা থমদুনা চঙশিনমিন্নবা মরু ওইবা ইস্যুশিং মদুদি - মণিপুরদা গ্রেটর ওটোনোমি শক্তি পীহন্নবা, ষ্টেট অসিগী হেন্না মপূং ফাবা রাইট তানমিন্নবা, মণিপুরগী অপূনবা শক্তম হেন্না চেৎশিলহন্নবা অমত্তা ওইবগী লীপূন হেন্না কনশিন্নবা, চীং-তম থোং মান্ননা চাওখৎমিন্নদুনা তংদু লৈতানা হিংমিন্নবা ঐখোয় পূন্না চঙশিনমিন্নরসি।।

মমি ৱারী


## ‘অতিয়াগী ময়া’


তিংথৌনু











পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।